ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ

The Largest Circulated Newspaper in Manipur




মণিপুর য়ুথ লীগ (মায়োল) না লেপ্তনা চথরকখিবা ঐখোয়গী লাংওনগী অনৌবা ভোট হায়না মিংথোনবা থৌরমগী মখা চথরকপদা কৈনৌ থোংথক অৱাং লৈকায়গী মান্দবতা পাঙথোকখিবা মীফমদা পাউচে অসিগী এদিটরনা ৱা ঙাঙবা


কৌজেংনা পুথোকপা কেমিকলনা শাবা মীৎনা উঙল্লরোইদবা... লামায় ৪

লামায় ৫ "য়াই থারবা বুদ্ধি লৌশিং পঙশিল্লবা ভোটরদি ওইগুমসি"

মালেম থোঙামনা লৈঙাক্কী থৌওং কন্দেম তৌরক্লি লামায় ৬

লামায় ৮ পি এম মোদি ইনাকখুনবশিংগীতা খনবা লুচিংবনি...

থম্মোয় পাউদম : অমিট শাহ লাক্লল্লে, ঐখোয় কদায়দা ... লামায় ৯

লামায় ১০ নিপানলক শুবা এম এন সী এ দল্লিয়ু প্রহ্লাদা এন্দ ...


ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিল (দল্লিয়ু এম সী) না মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা রেকমেন্দেসন অনী থাগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা ৱাংজিং লমদিং কৈথেলদা মৈরা পায়বীশিংগা খুৎশম্নদুনা চঙশিনখিবা খোঙজং




Vol. 48, Issue No. 017 | য়ুমশকৈশা, শজিবু ৯নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Wednesday, April 17, 2024, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

# লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবা খূৎ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা মপাঙ্গল শোল্লল্লে

## গ্যাস বুলেট অমা, ওইল টেঙ্কর মরি অকায় অতোয় থোকখ্রে, দ্রাইভর অনী নোংমৈ মরূনা পাল্লে

## সী আর পি এফনা ঙাক শেন্দুনা পুরকখিবা গ্যাস বুলেট অমসুং ওইল টেঙ্করশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা লান্দারকখ্রে










**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** সী আর পি এফনা এস্কোর্ট তৌদুনা এন ঐচ-৩৭ (ইম্ফাল-জিরিবাম) লম্বীদা জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না পুরকখিবা গ্যাস বুলেট ত্রক অমসুং ওইল টেঙ্করশিংদা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিন্দুনা লান্দারকপদা মণিপুরগী পুকচাক লম্বী অমা ওইরিবা হায়ৱেসিদা লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবা লৈঙাক্কী খূৎ মপাঙ্গল শোন্থরব্রা হায়বগী ৱাহং হংনরক্লে।

মমাঙ থাগী ১৬তা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না ১৮শুবা লৈবাক অসিগী লোক সভা মীখল তাঙ্কক তরেৎ থোক্লা থা অসিগী ১৯দগী পাঙথোল্লগনি হায়দুনা লাউথোকখিবগী মথংগী নুমিৎ মার্চ ১৭তা মোইরাংপুরেল লোমদা লৈঙোই পেকপা/নীকপা শিন্নীশিংগী গাড়ী খরা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ থাদোক্লল্লবা মতুংদা নুমিৎ ২৫নি রোম মীতৈদা ওনশিন্দুনা লান্দারকপগী থবক লেপ্পুরবা মতুং থা অসিগী ১১ অমসুং ১২গী লোন্নবা অহিংদগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মচি পি এসনা কোনবা গেলজাংদগী অমুক হৌরক্তুনা লান চথরকখিবনি। মসিগী মতুং ইন্দুনা লেপ্তুনা চথরকপা লান অসিগী মখা তারকপা শরুক্তা ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তারকপদা হায়ৱে অসিদা জিরিবামদগী কিলোমিটর ৫৫ রোম ইম্ফাল লোমদা লাক্লগা লৈবা তোলেন কুকি খুল অমদি কাইমাইগী মরক্তা কুকি মিলিটেন্টশিংনা গ্যাস বুলেট ত্রক অমসুং ওইল টেঙ্করশিংদা নোংমৈ মরূ কয়া কাপশিল্লকখিবনি।

থৌদোক অসিদা গ্যাস বুলেট ত্রক এম এন -০৬/টি-১১৪৪ (এ তম্ফায়াই), পেট্রোল টেঙ্কর এম এন -০৬/টি-০৯৭৮ (ৱাই ভুপেনচন্দ্র ঘোস), দিজল টেঙ্কর এম এন -০৩/দি-৩২১৪ (তঙ্কপ্রসাদ খারেল), এয়র ত্রাফিক ফ্যুএল টেঙ্কর এ এস-০১/এন সী-৭৬১৫ অমসুং দিজল টেঙ্কর এম এন-০৫/সী-১৩৮৩ (সী ঐচ লোলেন্দ্রো) দা কুকি মিলিটেন্টশিংনা কাপশিল্লকখিবা নোংমৈ মরূ কয়া পানখি। গ্যাস বুলেট ত্রক অমসুং ওইল টেঙ্করশিং অসি ১৭৫-সী আর পি এফকী পর্সনেলশিংনা এস্কোর্ট তৌরকখিবনি অদুবু তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম পি এসনা কোনবা তোলেন খুল অমদি কাইমাই য়ৌশিল্লকপদা এস্কোর্ট গাড়ীশিংগা খরা তাম্নরকপা তাঞ্জাদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চঙশিল্লকপা য়াই : মণিপুর দ্রাইভরস এসোসিএসন

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** ইম্ফাল-জিরি লম্বী (এন ঐচ-৩৭) গী কাইমাইগী মফম অমদা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিং ইম্ফাল তম্না পুশিল্লকখিবা গাড়ীশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা দ্রাইভর অনী অশোক অপন নংহনবা অমসুং গাড়ী মঙানা অকায় অতোয় থোকহনবগী থবক অসি মরী লৈনবশিংনা মখা তানা ...মখা লমায় ৩ কলম ১

## অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই অদুবু মীয়াম্না থাও অমসুং গ্যাস ফংদবগী অৱাবা লৈরোই : এ এম পি পি টি এ

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** ঙসিগী থৌদোক অসিবু ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম প্রদক্ট ত্রান্সপোর্টরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট অহোংশাংবম তম্ফাজাউনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## ডাক্তর য়াওনা মীওই ৩ কলহৌরে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** ঙসি অয়ুক অঙনবদা টৌয়োতা কার অমদা ক্বাকৈথেলদা লৈবা এসিয়ন হোস্পিটালগী ডাক্তর রোহেন য়াওনা লায়েংশঙ অসিগী ষ্টাফ মোমোচা অমদি অরুননা লম্বী লম্খাংনদুনা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চল্লিবা তুইবোন কুকি খুল লোমদা থৌজিল্লুবদগী কাংচুপ্তা লৈবা এ আরগী সী ওনা লুচিংবা টিম্না মখোয় অহুমগী খোঙ্গুল লীদুনা রেস্কু তৌহৌরে হায়রি।

## থাও মরাং কায়না লৈরি

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতুংইন্না মীয়াম্না মীপাইনদুনা পম্পশিংদগী পেট্রোল অমসুং দিজল লৈশিনবা হৌনরক্লে হায়রদুনা সী এ এফ এন্দ পি দিগী দিরেক্টরনা থোরকপা চেরোল অমদা হৌজিক পেট্রোল অমসুং দিজল মরাং কায়না লৈরি অমসুং ওইল পম্পশিং মহৌশাগুম্না হাংনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

## চূড়াচান্দপুরগী এস পি ত্রান্সফর তৌখ্রে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** মণিপুর লৈঙাক্কী দি পিনা ঙরাং থোকখিবা ওর্দর অমদা চূড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি সিবানন্দ সুর্ভে, আই পি এসপু দি জি পিগী সিনিয়র ষ্টাফ ওফিসর ওইনা ত্রান্সফর তৌদুনা পোষ্টিং পীখিবগা লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এদিসনেল এস পি (এল ও) শৈখ মোহম্মদ জাইব জকির, আই পি এসপুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী এস পি ওইহনখ্রে।

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

### HL Poll

Q : Kuki Militantsingna tangkak ani thokna pangthokkadouriba election numitsingda tamthiraba Lan chatharakpa ngamhandanaba thabak paikhathouba chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes | No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

### NGARANG GI RESULT

Q : Voteta kahallaku Manipur kaihalloi amasung ing-tappa leihange hairamlibasi tha 11 henna Lan mayoknaraklaba meeyamna thajaba ngamgadra?

Yes 0% No 100%

### অস! লোইরেহে!

- মমাঙগী লৈঙাক্না ঐখোয়বু ৱাহনবনি।
- ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛꯅꯥ ꯑꯩꯈꯣꯌꯕꯨ ꯋꯥꯍꯟꯕꯅꯤ॥



- ঐখোয়সু মমাঙগী লৈঙাক য়াওরম্মী।
- ꯑꯩꯈꯣꯌꯁꯨ ꯃꯃꯥꯡꯒꯤ ꯂꯩꯉꯥꯛ ꯌꯥꯎꯔꯝꯃꯤ॥

## কুম্বী খুগা ৱাংমদা ডা. বিমোল অকোইজমগী ইলেক্সন মীটিং পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা থুগাইনবা হোৎনরল্লে

### কুম্বী পুলিসনা আর্মস এক্টকী মখাদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখ্রে




**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস):** থা অসিগী ১৯দা মণিপুরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভাগী অহানবা ফেজগী মীখলদা কোংগ্রেস অমসুং ৱাখল মান্নবা পার্টিশিংগী অপুনবা লূপ আই এন দি আই এ ব্লোক, মণিপুরগী কম্মন কেন্দিদেট ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজমগী ইলেক্সনগী মীফম অমা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী কুম্বী পি এসনা কোনবা কুম্বী খুগা ৱাংমদা পাঙথোক্লিঙৈদা শকখঙদবা খূৎলায় পায়বশিংনা নোংমৈ কাপ্তুনা থুগাইনবা হোৎনরল্লে হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা পাউচে অসিনা ফংবা পাউনা হায়বদা উৎ মচুগী মারুটি-৮০০ কার অমদা লাকপা মীওই ৪গী মরক্তগী মীফম পাঙথোক্লিবা মফম অদুগা য়াম্না নক্লবা মফম অমদা নোংমৈ রাউন্দ অনী কাপথোক্লম্বনি। মফম অদুগী মীওইশিংনা ফোঙদোরকপদা থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ৩ খরা হেল্লকপদা থোকখিবনি। শকখঙদবশিংনা নোংমৈ মরূ অনী কাপথোক্লল্লবসু মীফম অদুদি অদুমক কায়দনা পাঙথোকখি হায়রি।

পনবা য়াবদি, ঙসিগী মীফম অদুদা কোংগ্রেসকী সী এল পি লিদর ও ইবোবী, দেপ্যুটি লিদর কে রঞ্জিৎ, এম এল এ, টি ঐচ লোকেশ্বর, মীরেপ ওইরিবা ডা. অঙোমচা বিমোল অকোইজম, হান্নগী এম এল এশিংদা আর কে আনন্দ, এন লোকেন অমদি হৌখিবা মীখলদা কুম্বী এ সীদা কোংগ্রেস মীরেপ ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মফম কয়াদা এস টিগী দিমান্দ তৌরদুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে




অসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেল জোইন্ট কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ফোর পিছনা শিন্দুনা চঙশিনখিবনি। খোঙজং অসিগী মতাংদা কম্মিটি অসিগী কনভিনর য়ুম্নাম ইবেয়াইমনা হায়, এম পিগী মীখল পাঙথোক্লিঙৈ মমাঙদা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্নবা অথুবা মতমদা লৈঙাক্না রেকমেন্দেসন থাবীয়ু। দিমান্দ অসিবু তাল্লদুনা ৱর্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলনা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি খ্বাইরম্বন্দ ইমা কৈথেলগী কম্মিটি অসিনসু শৌগৎতুনা খোল্লাও লাউবনি। মরমদি হৌজিক মণিপুরদা লৈরিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু কলহৌনবগী খোঙজংনি।

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** লৈবাক অসিগী সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা মীতৈ/মৈতৈ চলহৌদ্রবদি ফুরুপ অসিগী মরাইবক লৈত্রে হায়রদুনা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা মফম কয়াদা এস টি লিষ্টতা চন্নবগীদমক থাফম থোক্লিবা রেকমেন্দেসনশিং সেন্টরদা থাবীয়ু হায়না ৱাকৎ খোঙজং চঙশিন্দুনা খোল্লাওশিং লাউখ্রে।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলদা ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজং খোঙজং অসি লোনা য়াদবা অমসু নত্তে হায়রদুনা ফুরুপ অসিবু কন্নবগীদমক এস টি লিষ্টতা চনবসিনা অচৌবা লম্বী অমনি। মসি নত্তনা ফুরুপ অসিগী অতোপ্পা লম্বী অমা লৈত্রে হায়খি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিনা রেকমেন্দেসন থারকউ হায়রগা ঙসি ফাওবদা ...মখা লমায় ৩ কলম ৭

## 'খুলদা ভোট খোম্বা চঙলকপা য়ারোই'


**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** থা অসিগী ১৯ অমসুং ২৬তা মণিপুরদা তাঙ্কক অনী থোক্লা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা লোক সভা মীখলগী মাঙওইননা তোঙান তোঙানবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী ভোটরশিংগা উনদুনা মখোয়গী অপাম-পামদা লৌরক্লবা মতুং ঙসি খুন্দ্রাকপম এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ভোটর অনীগা উনরুবদা **পুখাও খাবমদগী য়ুম্নাম মনিতোননা হায়,** পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসি অয়াম্বনা পাম্নদে হায়বসি খঙনরে। অদুগা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা ভোট থাদনীংদে হায়রদুনা ঐখোয়গী খুল অসিদি লানফম্না পীক থনবা খুলনি। মরম অসিনা মীশি-মীনা য়াম্না য়াওখ্রে। ঐখোয়গী মায়কৈ অসি 'অনীশুবা চূড়াচান্দপুর' গুম্বনি।

কুকি খূৎলায় পায়বশিংনা তোয়না লান্দানবগীদমক মখোয়গী খূবাম্মুংদা থম্নবা হোৎনরকপা খুলনি। অদুবু মীতৈ ঐখোয়গী খুল ঙাকপা অমগা মখোয় ১০গা পান্নগনি হায়বগী ৱাখলগা লোয়ননা ঙসি ফাওবা খুল ঙাক্তুনা লাকপনি। ইমা ইবেল নুপী অঙাং অমত্তা হৌজিক ফাওবা অহিং তুম্নবা নত্তে, খুল ঙাক্তুনা লৈরিবনি। অদুগা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি নহানমখে ...মখা লমায় ৩ কলম ২

### লোক সভা মীখল - ২০২৪দা মীয়ামগী হকথেংনবা পাউদম



য়ুম্নাম মনিতোন




## সিভিল সর্ভিসেস এগজামিনেসন ২০২৩দা মণিপুর মচা ৯ মায় পাক্লে

**ইম্ফাল, এপ্রিল ১৬ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন পব্লিক সর্ভিস কম্মিসন (য়ু পি এস সী) না লৌদুনা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা সিভিল সর্ভিসেস একজামিনেসন ২০২৩দা মায় পাল্লক্লবা মতুং চৎলিবা চহীসিগী জন্যুৱারীদগী এপ্রিল ফাওবগী মনুংদা পাঙথোকখিবা পর্সনেলিটি টেষ্টকী ইন্টরভিয়ুদসু মায় পাল্লবা কেন্দিদেটশিংগী মমিংশিং লাউথোরকপদা মণিপুর মচা ৯ মায় পাল্লক্লে।

প্রেস ইনফোর্মেসন ব্যুরোনা ঙসি থোরকখিবা এগজামিনেসন অসিগী রিজল্টকী মতুংইন্না মণিপুরদগী মায় পাল্লবা কেন্দিদেটশিং অদুদি ক্ষেত্রিময়ুম দিপি চনু (রেঙ্ক-৫০৮), কেরোলিন চিংথিয়ানমোই (রেঙ্ক-৫৪৩), রাহুল হিজম (রেঙ্ক-৭৪০), হৈক্রুজম প্রসাঞ্জিৎ (রেঙ্ক-৭৫৭), সয়েদ সদিক (রেঙ্ক-৮২৬), এম মোলাইটসন কানসৌৱা (রেঙ্ক-৮৭০), হাটচিংহোই হাওকিপ (রেঙ্ক-৮৯৮), এস খৃষ্টোফর আইমোল (রেঙ্ক-৯২১) অমসুং দোমিনিক সোমিন্থাং হাওকিপ (রেঙ্ক-৯৯৪) নি হায়রি।

এগজামিনেসন অসিদা পূন্না কেন্দিদেট ১১৪৩ মায় পাকপগা লোয়ননা মখোয়দা পীগদবা সর্ভিসশিংনা আই এ এস-১৮০, আই এফ এস-৩৭, আই পি এস-২০, সেন্ট্রেল সর্ভিসেস গ্রুপ 'এ'-৬১৩, গ্রুপ 'বি' সর্ভিসেসতা ১১৩নি হায়রি। মায় পাল্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী মনুংদা জেনরেল-৪৭৪, ইকনমিকেল্লি ৱিকর সেক্সন-১১৫, ও বি সী-৩০৩, সেদ্যুল্ড কাষ্ট-১৬৫ অমসুং সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী কেন্দিদেটশিংনা ৮৬নি হায়রি। মায় পাল্লবা কেন্দিদেটশিং অসিগী মনুংদগী কেন্দিদেট ১০২৬পু এপোইন্টমেন্ট পীননবা য়ু পি এস সীনা রেকমেন্দ তৌখ্রে হায়রি।





HL-B/8687/17